BEFORE THE OATH COMMISSIONER MANIPUR AT IMPHAL 785424

AFFIDAVIT

I, Khundrakpam Ongbi Unika Devi, aged about 32 years, W/o. (L) K. Dwijendra Singh, a resident of Kwakeithel Moirang Purel Leikai, P.O. Imphal, P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur do hereby take Oath and solemnly affirms as under:

1. That, I am law abiding citizen of India by birth. This is true to my knowledge.

2. That, I have been known by two names i.e. (i) Khundrapam Medha devi (as recorded in my BPL Card bearing No. 15926) and (ii) Khundrakpam Ongbi Unika Devi (as recorded in my AADHAAR Card bearing No. 402274335257). This is true to my Knowledge.

3. That, my above two names i.e. Khundrakpam Medha Devi and Khundrakpam Ongbi Unika Devi are and of same person. This is true to my Knowledge.

verified that the contents of the above para No. 1 to 3 are true to my Knowledge. No material has been concealed thereof. Nothing contained therein is false. These are true to my knowledge.

Sd/-

Date/Imphal ( Khundrakpam Unika Devi)

The 19th December, 2015 Signature of the Deponent

SL/Bill/21

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, IMPHAL-795004

(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

NOTIFICATION

Imphal, the 21st Dec., 2015

No. B/2943/2013-RIMS (Pt-I): It is hereby notified that any member of the public having information and material evidence relating to the alleged leakage of question papers for the written examination for recruitment of Staff Nurse in RIMS, Imphal held on 12th Dec., 2015 may submit the information in writing and copies of the material evidence to the office of the undersigned during office hours on or before 23rd Dec., 2015.

This is an extension of the time frame of 48 hours set earlier in connection with the above matter,

Sd/-

(Prof. S. Rita Devi)

Director Regional Institute of Medical Sciences

Imphal

**MSPDCL POWER DRIVE**

A team of Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL) during one of its drives conducted on 17th and 18th December 2015 at different locations in Imphal and caught the following defaulter power consumers for Meter Tapping and Unauthorized Connection. FIR has also been lodged on these consumers.

IED III DEFAULTERS' LIST

1. Okram Lokendro Singh S/o Okram Naobi Singh from Yanglem Leikai
FIR No. 329(12) 2015 SJM PS
2. Pebam Shantikumar Singh S/o P. Naral Singh from Kongpal Kshetri Leikai
FIR No. 371(12)2015 PRT PS
3. Pebam Joychandra Singh S/o P Irabot Singh from Kongpal Kshetri Leikai
FIR No. 372(12)2015 PRT PS
4. Konthoujam Romen Singh S/o (L) K. Rajen Singh from Kongpal Kshetri Leikai
FIR No. 373(12)2015 PRT PS
5. Thanaojam Kenedy Singh S/o Th. Raghu Singh from Haoreibi Mayai Leikai
FIR No. 102(12)2015 WGI PS
6. Loitongbam Suranjoy Singh S/o L. Ibomcha Singh from Hiyangthang Makha Leikai
FIR No. 103(12)2015 WGI PS
7. Ningthoujam Surchandra Singh S/o (L) N. Komol Singh from Hiyangthang Makha Leikai
FIR No. 104(12)2015 WGI PS
8. Huirem Biren S/o H. Yaima Singh from Kongba Makha Leikai Nandeibam Leikai
FIR No. 117(12)2015 IBG PS
9. Chongtham Soni Singh S/o Ch. Tomba Singh from Kongba Uchekon Leikai Muriba
FIR No. 116(12)2015 IBG PS

SL/Bill/21

**In the Court of Sub-Deputy Collector**

Sawombung.

*Ref. :- Mutation Case No. 1141/SDC/SWG Dated 21-12-2015*

**Irengbam Girani Singh S/o (L)Tolpishak Singh of Pungdongbam**

***- Petitioners***

***-Vrs-***

**Late Pattadar, Ningthoujam Saratkumar Singh s/o Gopal Singh of Khurai Soibam Leikai**

**....O.P.**

**NOTICE**

*Porompat, the 21st Dec. 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি খুল নং ২৭ পুংদোংবম ইঃইঃ পাট্টা নং ৯ দাগী নং ৭১৭ এরিয়া ২.৪০ একর চাওবা লৌফম লৌফমগী পাট্টাদর ও পি অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত পাট্টাদর ও পি গী মমিংদা লৈবা লম অসি চহি ১০ (তরা) রোমগী মমাংদগী দংকারীনা লৈজদুনা হৌজিক ফাওবা মশানা দখলসু তৌদুনা লৈরবা মরম্না মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোট্টা দারখাষ থারক্লে।

মরম অদুনা উক্ত পাট্টাগী লমগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপ্যাতি (ওবজেকসন) তৌবীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৮–১২–২০১৫ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোট অসিদা অইবা ওইনা অপ্যাতি (ওবজেকসন) তৌবীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপ্যাতি (ওকজেসন) লৌজরোই। কোর্টকি হৌনবি মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথগনি।

Sd/-

(S. L. Thangal)

S.D.C/SWG.

SL/C/ 0931/22

# বাসাভেশ্বারা–অপুনবা অওনবা অমগী মীৎয়েং শানবা অমা

## – দাঃ বাসাভারাজ সদার

মমাংগী মখা...

বাসাভানাগী বাচানা অসি ১২ শুবা চহীচাগী মতমদা ইরমলবসু ঐখোয়গী ঙসিগী কনস্তিতু্যসনগী ইন্দিয়ন পেনেল কোদকী প্রিন্সিপলশিং য়াওরি। বাসাভেশ্বরানানা চাওখৎপগী লম্বীদা ওইরক্লিবা খুন্নাইগী ফত্তবা পূন্নমক্কী মায়োক্তা লেপখি। মহাক্কী পান্দমদি হোংনাইদ্রবা খুন্নাই অমবু মাংলোমদা চৎহনবনি। মরম অদুনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা নুপী য়াওনা খুন্নাইগী মীওই খুদিংমক শরুক য়াহনবনি। মহাক্কী অপাম্বদি অহোংবা লৈত্রবা মালেম অসিবু পুংহোং হোংনবনি। মসিনা অপুনবা অমা পুরক্কবগী মীৎয়েং শানবা অমনি হায়বসি তশেংনা তাক্লি।

মালেম অসিদা ধর্ম্মগী পাউজেল শন্দোকপা, রিবোলুসনারিস, রিফোরমিস্তস, সোসিয়লিস্তস, পোল্লিটিকেল থিঙ্করস, ইকনমিস্তস, হ্যুমেনিস্তস অমসুং অতৈ কয়া লৈরি। অদুবু বাসাভেশ্বারানাদি পূন্নমক অসি পুল্লবা অমনি। মরম অসিনা, মহাক অসি মালেম পুম্বগী খ্বাইদগী অথোইবা মীওইবনি হায়না লৌরি। মাহাত্মা গান্ধিনা হায়খি – "চহী ৪০০ গী মমাঙদা বাসাভেশ্বারানা তম্বীখিবা অমসুং মশামক্লা পাঙথোকখিবা মহাক্কী প্রিন্সিপলশিং পাঙথোকপা হায়বসি ঐদি ঙম্মোই। ঐনা খরা অমদি লৌরে, ঐ হৌজিকসু ৱাখল্লোন অসিদা থিরিবা অমনি অমসুং মনুংফারবা অমা নত্তে। শোক্ল–শম্নবা য়াদবা মুখৎপা অমসুং শিনফমগী ইকাইখুম্নবা অসি মহাক্কী মপুং ওইবা ৱাখল্লোন অদুগী মনুংদা অমনি। মঙোন্দা জাত নাইবগী মমিফাওবা কনামত্ত না ফংদে। মহাক ঐখোয়গী মতমদা লৈরম্বা তারবদি ঐখোয়না লাইনিং–লাইশোল তৌরম্বা য়াবা মুণি অমা ওইরমগনি। মহাক্কী তুংইনবশিংনা মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি ইল্লবদি ভারতপু অৱাংবদা পুখৎপদা নত্তনা মালেমবুসু পুখৎকনি।" – হোয়, বাসাভেশ্বারা অসি বিশ্বোদায়াগী অশানবা মীৎয়েং লৈবা তাইবংপালগী ওইবা মীওইবা অমনি।

দা. বাসাভরাজ সাদার অসি এআইআর, বেঙ্গলুরুগী রিতয়ার্দ স্তেসন দাইরেক্তরনি। ফোঙদোক্লিবা ৱারেং অসি মশাগী ওইবনি।

লোইরবা..

## মোইরাং শাইওন

# খম্বা – থোইবী

## উকায় কাপ্পা

–সরাংথেম বরমনি
সাহিত্য ভুষণ

***হান্নগী মখা...***

কুমসি কুমজাগী উকায় কাপ্পদা অঙোম নোংবানগা মবুঙোতোন খম্বগা চরৈ ফিদান্নহনগে খন্দুনা থোইবী মখুৎমক্লা মাঙজৌননা চরৈ ফি অমা শারম্মী। মানা শাবা চরৈ ফিদু খম্ববু ফুরিৎ ওইনা লিৎহনগে কেগে মীয়াম মমাঙদা লেন্নহনগে খল্লদুনা চিংঙু থাংজীং লাইবু খুরুম্লগা থোইবী সেনু মপু মনাইনা অয়ুক নুংথিল খাক্তনা ময়েক শুনা হাপ্পুনা লৈরোং মশীং ৱাৎতনা শাবা ফিদু লোইরে। হন্দক মমোম্না মথৱায় য়াওনা শাবা চরৈ ফিদু উবদা মপা চীংখু নহা তেলহৈবনসু পান্নম্মী। ফি শাবা পুমলোই লোইরগা লৌগে খন্দুনা মমোমদা মাঙজৌননা ৱা কাংথোকখিদে। ফিদু শাবা হেক লোইবগা থোইবীনা চৎতুনা খম্বদা ফিদু পীরগা ফুরিৎ ওইনা তুরগা উকায় কাপ্পদা লিৎপিয়ু, কেগে লৈবাক মীমাঙদা ইপাগী পানা মকোক্লি খঙনা লেন্নবিয়ু হায়জখি। ফজরবা ফিদু উবদা খম্বা মাসু মপূক্লিং তাদুনা হরাওজে।

মেরা থা পানখৎলকপা উকায় কাপ্পগী মতম ওইশিল্লক্লবদা নোংমা মপানা থোইবীদা মানা শাবা চরৈ ফিদু ইপা উকায় কাপ্পদা ফুরিৎ ওইনা তুরগা লিৎনগে হায়রক্লে। মপাগী ৱাদু তাবদা থোইবী শ্বাই লাউই। 'ইপা ইবুঙো ! নমোম্না শাজবা চরৈ ফি অদুদি পন্থৌনা পূক্লিং তাবিরমগনি খঙদবদগী কেগে কনাগুম্বা লৈত–লায়রবা মীওইদা তরেৎ মমল লৌদনা পীথোকখ্রে' খুমলকই। মমোমগী ৱাদু তাবদা মপাগী পায়মা নুংদা চিংনবা পোক্তুনা কেগে করি লৈকায়দা লৈবা মোইরাং কনাগী মচানো তরেৎ মমল পীদুনা হন্দোক্লে হায়রক্লে। মপাগী ৱাদু তাবদা থোইবীনা পন্থৌনা পায়মা খোয়দাগদবা হান্নদুদগী হেনা ফজবা ফি অমা উকায় কাপ্পা নংনবা নমোম্না শাজগে হায়জবদু মপাবুংনা শাউদুনা য়াখিদে। হন্দক ইমোম্না শাবা চরৈ ফিদু য়াম্বুং নিংথৌ, চাউবা নোংথোন, থোংলেন, অঙোম খন্দ্রাকপা মীওই মরি অসিনা শেৎ ইল্লবদি মতিক মাথা চায় ঐ করিসু নুংঙাইতবা তৌরোই। অদু নত্তদুনা কেগে মোইরাং মচা কনাগুম্বনা চরৈ ফিদু শেৎপা ইনবা উরবদি য়াইবী মথৱায় লৌগে হায়না চিংঙু থাংজীং পন্দুনা শরি ৱাশক পন্দোল লোমখি। মপাগী অশাউবা ৱাঙাং অকনবা শরি ৱাশক্তু তাবদা থোইবী মপূক্লিংদা নুংশাথীরে। নোংঙানবগা মনাই সেনু পুরগা মশাবি মমানমচা খম্বগী নাক্তা লাক্তুনা মানা শাজনা মানা শাজবা চরৈ ফিদু য়াম্না চেকশিন্না কেগে কনা খঙহন্দা মোইরাং কনা উহন্দনা চরৈ ফিনুংদা ফুরিৎ ওইনা তুরগা লিৎপিয়ু। চরৈ ফি অদুগীদমক্তা ঐবু পোকপা ইপানা নিঙোল ঐবু ৱারৌরে। করিগুম্বা চরৈ ফিদু ইপানা উখিবা থোক্লবদি ইবুঙেতোনগী অফবা ওইরোই হায়না মশাবিদা পুকমেন পাওমেন্নরেক্লে। থোইবীগী ৱাদু তাবদা খম্বগী মপূক্লিংদসু চিংনবা পোক্লে। মজাইবেম্মনা শাবা চরৈ ফিসি নপাবুংনা পান্নবদি শেৎহল্লো, নুংশিবিগা চানবিরগা ঐদি চাম্মারক শেৎপা ইনবা য়াই হায়রকই। খম্বগী ৱাদু তাবদা থোইবীনা করি ৱানো ইবুঙোতোন, কেগে মীরক তিনবদা নোংবানগা চরৈ ফিদান্নবদা নিঙোল ইখুৎনা শাজবা চরৈ ফি অমতংবু ফুরিৎ ওইনা লিৎহঞ্জগে খন্দুনা মতম চঙনা শাজবনি। পাখংগী পায়মা নুংদা করিসু চিংনবিরুগনু চিংঙু থাংজীংনা তম্বা লাক্কনি হায়রম্লগা থোইবীগ সেনু মপু মনাইদো তম্পাকয়ুম পাংখি। চৎনা চৎনা লম্বীদা মপু মনাইদো চরৈ ফিদুগী মরমদা খন্নরকই। পাম্মু মকাদা পীখ্রবা চরৈ ফিবু পন্থৌ কিবদগী করম্না অমুক লৌরুগদগে, খোয়ুম নোংদমখোল য়েংগে খল্লক্লে থোইবীগী মপূক্লিংদা।

উকায় কাপকদবা নুমিৎ অসিদা লৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবা অকল অথৌ পূন্নমকসু তরা চাকঙল চারগা মানা মানা ফংবা মনাফি শাফি লানফি শেৎ–চারগা কংলা তম্না লাক্লরে। নোংয়াই খম্বসু মাগী হান্না লৈজবা ফুরিৎনা হকচাং পক্লা লিৎশিল্লে। মদুগী মথক্তা থোইবীনা শাবা ফিনা তুবা ফুরিৎতু লিৎলে। কাও ফাঙৈদা মোইরাং নিংথৌনা পীবা মনাফিনা তুবা ফুরিৎনা মনুংদা লিৎলিবা অদু উবা ফংদ্রে। মচেমগী য়াথং লৌরগা খম্বসু কংলা পাংলকলে। থাঙ্গ করাংচীংগী চীংথক্তা থাকপা লাং কাইরুরগা কুম ফরে হায়না নিংথৌদা পাউদমলরে। উকায় কাপনবা অঙম অথৌ ময়াম্না থৌগল তৌরগা পুং শেল য়ৈদুনা নিংথৌ মচিল মনাও কংলাগী শামাঙ তান্না লাক্লে। উকায় কাপপা য়েংগদবগী কেগে মোইরাং লৈবাক্কী মীয়ামনা ফিভৌ ফৌবগুম তিল্লক্লে। নিংথৌগী নাক্তা পানাগী মকোক নোংবান অথা কোংয়াম্বনা তেল খুনগদবগী খুরু খুদক কুন্দুনা লৈখ্রে। নিংথৌনা মখুৎতা লিরুং তেল পায়দুনা উকায় তমনা তেল কাপ্লক্লবদা নোংবান্না তেলগী মতুং ইন্দুনা চেনখ্রগা উকায়দা য়ুংলিবা তেলদু শৎলগা চেল্লক্তুনা নিংথৌদা কৎলি। অসুম্না তেল অহুম্লক কাপ্লম্লগা নিংথৌদি মপুগী শঙলেনয়াই পাংখি। নিংথৌনা চৎখ্রবদা ৱাঙ্গোন নিংথৌনা উকায় কাপকদবগী মখুত্তা লিরুং পায়রগা চঙশিল্লক্লবদা পানাগী মকোক নোংয়াই খম্বনা তেল খুনগদবগী খুরু খুদক কূন্দুনা লৈরে। ৱাঙ্গোন নিংথৌনা উকায় তমনা তেল কাপলবদা খম্বনা তেলগী মতুং ইন্দুনা নুংশিৎকি মমাঙ থানা চেনখিদুনা তেলনা উকায়দা পানবগা তেল শৎপগা মান্নবদু উবদা মীয়াম্না খম্ববু থাগৎনখি। অশৎপা তেল অদু পুরগা চেল্লক্তুনা ৱাঙ্গোন নিংথৌদা কৎলি। অনিশুবা তেল অদুদি উকায়গী মতোন্দা পাল্লবদা খম্বনা চোংখৎতুনা তেল শৎলুরগা তারকপদা মখুৎনা লৌদুনা মথক ইথং থংনা লিৎলিবা ফুরিৎকী হৈরু তৎলে। খম্বনা তেল পুরগা চেল্লকপদা নুংশিৎনা মশাদা য়ৈবদা থোইবীনা পীবা ফীনা তুবা ফুরিৎকী ফিজি অমা ৱাঙ্গোন নিংথৌনা উথোকখ্রে। মানা ৱাশকখিবা ফিদুনা তুবা ফুরিৎ অদু খম্বনা লিৎপদু উবদা মনাউ ইবুঙোদো শাউবনা লুতোন কাখিদুনা লমজা য়াইবী লৌগে খল্লবোই তেল পুদুনা মনাক তান্না চেল্লকলিবা খম্বা তমনা তেল কাপশিল্লক্লে। ৱাঙ্গোন নিংথৌনা কাপলকপা তেলনা মথবাক তমনা পাইশিল্লপদু উবদা খম্বনা মখুৎতা পায়রিবা তেলনা তেলজিন য়ৈথরগা পাম্বোম মখাদা লিৎহল্লে। অহুমলক শুবা তেল অদু কাপক্কদবগী লিরি চিংলকপগা খম্বনা চোংশিল্লক্তুনা মমাঙদা লেপ্পগা তেল পীবদা ৱাঙ্গোন নিংথৌদু শাউদুনা তেল লৎনরে, মমায় লৈথোক্তুনা লৈরে, খম্বনা পীবা তেল লৌদ্রে। মদু উবদা মীয়াম্না ঙক্তুনা করি মতৌনো হায়না ঙাঙনদুনা নীন্নরক্লে। ইকায় খাংদগী খম্বসু ৱাঙ্গোন নিংথৌনা লৈথোক লৈথোকপা মায়কৈদা চঙশিন চঙশিন্দুনা তেল কৎলকলবদা তৌফম খঙদদুনা মনাই নোংবান য়েংলগা 'তয়ুম নোংবান তেল পীয়ু' হায়রক্লে। নোংবান্না চেনশিল্লক্তুনা খম্বগী মখুৎতগী তেল লৌরগা ৱাঙ্গোন নিংথৌদা পীরে, খম্বদি ইকায়বনা মরূ লুক্তুনা লৈরে। থৌদোক অদু উবদা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পূন্নমকতু ঙক্তুনা লৈনখি ৱাদি কাংথোক্লবা ঙমনখিদে। কুম্মৈ য়েংলম্বা থোংলেন্না শাউদুনা ফমফমদগী হৌগৎলক্লবদা মতাও চাউবদা খামজিল্লি। নোংবান্না পীবা তেলদু পায়রগা 'তয়ুম অচানবা ! নঙনা ঐঙোন্দা তেল পীবসি ঐ পেল্লে। ঙসিদগী নহাক্লা ঐগী পানা পাম্বোম ওইরগদবনি। ঐনা পোকচবা ইমোম লাংলেন থোইবী নোংবান নঙোন্দা থাজরবনি। ঙসিগী মাপলনিশুবা নুমিত্তা তাউজিং হৈজিং কারক্লো, অফবা নুমিৎ থা য়েংলগা লুহোংনবা থৌরাংলগে হায়রকই। নোংবান্না পীবা তেল অদুনা অমুক কাপলবা মতুংদা চীংখু তেলহৈবদো মনাই নোংবানগা লোয়ননা তম্পাকয়ুম । চাউবা থোংলেন অনিদি নিংথৌগী শঙলেনয়াইদা চৎতুনা মপুদা খুরুম্লগা মনাও ইবুঙোনা মদাইরেম খম্বদা তেল তমদুনা য়াইবী লৌগে তেমশিংববু করম্বা মরাল লৈবগে হঙ্গৎলক্লবদা নিংথৌনা ঐদি খঙদে হয়েং কংলাদা হৌদোকপিরকউ লৈবাক খঙনা খন্নসি তাকপিখি। চাউবনা মমাক খম্বদা করিগী মনাও ইবুঙোনা নঙোন্দা তেল তল্লিবনো হংলক্লবদা তাক্তবা য়াদদুনা থোইবীনা শাবা ৱাশক ফিনা তুবা ফুরিৎ লিৎলুবগীনি খঙহনখি। খম্বগী ৱাদু তাবদা থোংলেন খাক্লা খাক্লা নোক্তুনা পারি ইবুঙো পায়মা নুংদা চিংনরুগনু ইপা লৈরি হায়না মপাম্বোম তিংখি।

ৱাঙ্গোন নিংথৌনা তম্পাকয়ুম হেক য়ৌবগা থোইবীগী মমা তরামথোই কৌথোক্তুনা ঙসি তয়ুম নোংবান অথা কোংয়াম্বদা ঐনা পোকচবা ইমোম লাংলেন থোইবীবু কেগে লৈবাক মীমাঙদা থাজরম্লে।

মথং মথং.....

RADIANT TUTORIAL

YUMNAM LEIKAI, IMPHAL - WEST

Run by well Experienced CBSE School Teachers

ADMISSION OPEN FOR

Class X & IX (CBSE) Summative Assessment II

CLASS STARTS ON:
16th Oct'15
CLASS TIMING:
4:40 pm to 7:40 pm
DURATION OF COURSE:
4 Months

SUBJECTS OFFERED:
English, Mathematics, Science & Social Science

Features:
Regular Unit Test, Study Materials, MCQ & Study Tour

For details, please visit Radiant Tutorial Office during 4:00 pm to 7:00 pm

Van service is also available

MILLENNIUM SCHOOL

Sagolband Salam Leikai, I/W-01

(A Lower Primary Standard School of Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi)

ADMISSION OPEN

Pre-Nursery upto Standard II for the Session 2016

Limited Seats............HURRY!! HURRY!!

First Come First Serve

Contact School front desk office for details : 0385-2445298, 9862349984